ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯟ ꯱꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯸꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জুন ১৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৮৪শুবা মশীং

# কোন্না শিংবা অপংবা

## চরোই পান্দোংবগী থৌদোক থোকহল্লমদবা য়াবনি

থোকহন্নিংদবা, থোরকহনফমসু থোক্তবা থৌদোক অমা থোরক্লগা, থোকখ্রবা মতুংদা করিনো খঙলকপা, থোকখ্রবা মতুংদতা লৌখৎফম থোকপা, লৌখৎতবসু য়াদবা থবকশিং লৌখৎলকপা থৌওংবুনি ময়াম্না কোন্না শিংবা-অপংবা হায়নরিবসি। অদুনা পোংগ্রিংলোং হায়রগসু খঙনরিবা নেসনল হায়ৱে-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীগী তুপুল থোং মনাক্তা লৈরিবা চরোই পান্দোংবা খুল অসিদা জুন ১৭, ২০২১গী অয়ুক্তা থোকখ্রিবা থৌদোক্তু থোকহল্লমদবা য়াবা থৌদোকনি হায়বনি। নুমীৎতুদা খুলদুগী খুঞ্জাশিং হেক য়াহৌরকপদগী হৌরদুনা হান্নদগী লৈনরকপা থরুমদুনা লমজিং ওইরগা খুঞ্জাশিংনা লৈনরিবা য়ুম খরা মৈ থাদোক্তুনা উৎ ওলহনখিবনি। গাড়ী খরসু মৈনা তুম্না থাদোক্লখিবনি। খুঞ্জা মশেলগী মরক্তসু খুৎ থোক্লরক্তুনা অশোক-অপন য়াওনখিবনি। শিবমক শিহৌদ্রবসু খুঞ্জা মশেলগী ঈরাংদু লাকশিন্নবা চঙশিল্লুবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (লো এন্দ ওর্দর) নাওরিনা মায়দা পান্দুনা শোকখ্রিবনি। অদুবু থৌদোক্তু কৈদৌবগী থোকহনখ্রিবনো হায়বা ৱাফমনি হৌজিক লাক্লিবদি। থোকখ্রবা মতুংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা, থৌদোক্তুদা চেন্নবশিং ফাদুনা লোগী মতুংইন্না চৈরাক পীননবা হোৎনবা হায়বদুনা থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতুংগী লৌখৎতবা য়াদবা, লৌফম থোকপা থবকশিংনি। থোকহন্নিংদবদা থোকখ্রে হায়দুনা তুমীন্না লৈথোকপদি য়াদবনিনা লৌখৎফম থোকপনি। লৌখৎলু, লোগী থবক চপ চানা পাঙথোকউ। অদুবু থোরক্ত্রিঙৈদা থোরকহন্দনবা হোৎনহৌদ্রগা থোকখ্রবা মতুংদা খুৎফম হঞ্জিন্নবগী থৌওং অসিগুম্বশিং অসিনি হুরানবা মতুং মৈরিংবা হায়নরিবসি। মসিদা তাহল্লক্লিবসি করিগীনো হায়বনি। মরমদি খুল অসিগী ভিলেজ চ্যেরমেনগী ফম অসি মহাক্না ওইগদবনি, ওইফম থোক্তবনি, মহাক্কী মহুৎতা মহাক্না ওইগদবনি হায়বগী চয়েৎনবা ৱাহৌ থোরকখ্রিবসি নুমীৎসিদা য়ুম অমসুং গাড়ীশিং মৈ থাদোক্লখিবা অসিনা অহানবা নত্তে। খঙহৌদনা হেক্তা থোরকপা নত্তে। মসিগী মমাঙদা চ্যেরমেনগী ফম অসি মুন্নবগী মতাংদা ৱাথোক-লান্থোক লৈখ্রে। অদুনা চুম্মী, অদানা লাল্লি হায়দুনা খুলদগী তান্থোক-তানশিন তৌনবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। খুলগী খুঞ্জা অমা গাড়ীনা তকপনি হায়, থোম্বনি হায় তৌদুনা লৈখিদবা থৌদোকসু থোকখ্রবনি। মদুসু শোয়বা নত্তে, থৌওইনা তৌবনি, নত্তে হায়বগী নুংঙাইনদবা অমসু লৈরিবনি। মসি পুম্নমকসি লৈরে খঙনা খঙনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎহৌদ্রগা তাঙ্গোই ওল্লকান্দা দি আই জি, এস পিনচিংবা পাইশিন্দুনা খামদোক্লুবা, দেপ্যুটি কম্মিস্নারশিং চঙশিন্দুনা খুঞ্জাশিংগা মীফম পাঙথোক্লুরিবদুবু কোন্না শিংলকপা অপংবনি হায়রক্লোইদবগী মরম লৈরিব্রা?

ভিলেজ চ্যেরমেন হায়বসিদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগীসু ওফিসল ওইনা রিকোগনিসন পীগদবা পোষ্টনি। ফম অসি কনানা, করম্বা মীওইনা ওইগদগে হায়বগী মতাংদা অকক্লবা, অরেপ্পা মীওইনা ওইগদগে হায়বগী মতাংদা অকক্লবা অরেপ্পা রুল অমা লৈফম থোকই। খুলগী মায়কৈদগীসু হান্নদগী কায়দনা চৎনরকপা কাঙলোন অমসু শোয়দনা লৈগনি। অদুবু মসিগী মতাংদা য়েৎনরক্লবনিনা মসিগীসু মরমশিং লৈগদবনি। লৈরক্লবনিনা মরমশিং অদু থিদোক্লগা লৈহন্দনবা, খুঞ্জা পুম্নমক্না য়াগদবা অরোইবা ৱাতুপ্পবা, ৱারেপ্পবা অমা পুরক্লবা হোৎনগদবনি। অদুবু হায়রিবা থবকশিংসি মরী লৈনবশিংনা মতম চানা পাঙথোকহৌদ্রিবা করিগীনো? মসিদা ষ্টেট ইন্টল্লিজেন্সকী মায়কৈদগী অশোনবা লৈখিব্রা, লো-এনফোর্সিং এজেন্সীশিংনা থৌশাখিদব্রা নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদা অহোবা লৈখিব্রা হায়বদুসু থিদোক্কদবনি। মরমদি খুঞ্জা মশেলগী মরক্তা থোকখ্রিবা তমথিরবা থৌদোকশিং অদুনা অরোইবা ওইরগনি, মতুংদা অমুক হন্না থোরকহল্লরোই হায়বগী থৌদাং মরী লৈনরিবা ওথোরিটিশিং অসিনা লৌবা ঙম্লগদ্রা? ওথোরিটিশিংনা মসিগীদমক ফৈগাক ফৈনা লেপ্পলগনি হায়রবুদি পুম্নমক্কী য়াইফগদবা থৌশিল ওইরক্কনি। অফবা থৌদোকসু নত্তবা য়ুম-কৈ  অমদি গাড়ীনচিংবা মৈ থাদোক্লবা, ওনশিন্নদুনা খুৎ থোক্লরকপগী থৌদোকসি থোকহল্লকপা চুমদে। মরমশিং অসিনা মরী লৈনরিবা লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিং, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিং কোক চুংশিন্নদুনা অরোইবা ওইনা শন্তাইশিন্ননবা থবক খোঙজেল য়াংনা পায়খৎলু। হায়ফম থোকপা হায়বনি, য়াগদ্রা তোকচরে হায়বগী থৌওং চুম্লোই। শারিঙৈদা য়ৈহৌদ্রবদি মথংদদি শিবা-নাবা য়াওরকপসু য়াই। অমরোমদনা চরোই পান্দোংবা খুলগী খুঞ্জাশিংনসু মখোয় মশেলগী মরক্তা ভাইওলেন্ট এক্টিভিটিশিংনা হেক্তা মাঙ থানা চঙশিল্লকপসু অচুম্বা খোঙথাং ওইরোই। থায়নাগী হেদ-হন্টিংগী চৎনবীদু হৌজিক্কী মতমগা চুনদ্রে। হৌজিক্তি থাঙ-তেনগী, নাওরিগী মতম নত্তে। প্রোব্লেম অমা মায়োক্নরক্লবদি মদুগী সোল্যুসন অমা লৈগদবনি। ৱাখল মপুং ফাদবা, লো মশক খঙদবা তম্পাক্কী মীওই খুজোক খরগী 'মোব জষ্টিস' নৎত্রগা 'মোব ভাইওলেন্স' কী অরানবা চৎনবীশিং চরোই পান্দোংবা খুলগী লাইরিক-লাইশু হৈরবা খুঞ্জাশিংনা মতৌ তমহন্নিংদে। নাকপাক তানরিবা খুঞ্জা মশেলগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্তুনা মহৌশাগুম নুংশি-চান্ননা লৈমিন্ননবা হোৎনহন্নিংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২০

১) মণিপুরগী শক্লাইরবা স্কোলর অমসুং কবি অমগী শৈরেং মতেকনি - "ওইরকই থৱায় পান্দবগী জগৎ প্রকৃতিগী/চঙলকই পুন্সি জগৎতা প্রাণময়গী লমদমদগী/ওইরকই পূক্লিং মনোময় জগৎকী নুংশা শ্বরনা/হৌজিক্তি য়াতারি চরাঙননা মীওইবগী পুন্সিনা/খনজৈ মীওইবনা পন্থুংফম য়ৌরেদনা/লোইরেদনা তীর্থ যাত্রাগী খোঙচৎসে।" কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) মির্জা মুহম্মদ হাদী রুসৱাগী "উমরাও জান অদা" হায়বসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) "খোইয়ম ব্রহ্মা অচিবা নঙগী সনা তুখোং খুদিংদা তলা উমিৎলোইনা মহৈ চুম্না য়ানবগুম থবী শেনগোইরেন অপানবনা মঙাল য়ুমদা চংলবনিনা ফকলাং লোঞ্জা মিফাৎলমদা উফুন সনা হায়ে কুপকুম হন্দোক হঞ্জিন্ননা ফমফল্লিবী মায়া শক্তি লাইরৈমা নঙোন্দগী শিব মহাদেব চোংথোক্লকএ।" ৱাহৈ পরেং অসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

৪) মহারাজ কুমারি বিনোদিনী দেবীগী "যামিনি সুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল' ফংখিবা লাইরিক্তু করি লাইরিক্নো?

৫) মণিপুরী সাহিত্যগী (মণিপুরদা ফোঙবা) অহানবা চেফোঙ অদু করিনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল *hueiyenliteraryquiz@gmail.com* সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লাইরিক তম্বা অমদি তৌথোরকপা থবক

ৱাইরু-ৱাইরুবদা

ঐনা মতম অমা মফম অমদা ওজা অমা ওইনা পুজরিঙৈগী ৱানি। ঐনা মহৈরোয়শিংদা হংই। ক্লাস ফাইভকী মহৈরোয়শিংনি। ঐখোয়না লাইরিক তম্মীবা অসি করিগীনো নখোয় খঙব্রা, অঙাংশা? অঙাং অয়াম্বনা খঙদে, খঙদে, খঙদে তমক হায়, হংলিবা ঐসু কৈদৌবগী ঐখোয়না লাইরিক তম্লিবনো হায়বদু খঙদে। অঙাং অমখক্তংদি কৈদৌবগী লাইরিক তম্লিবনো হায়বদু খঙলম্মী। ঐবু মানা খুন্নকপা পাউখুম অদু শ্বাইদা তমথোক্লসিরনে? মানা হায়, "ওজা ঐখোয়না লাইরিক তম্লিবা অসে, নুপী থিবা ফংনবনি।" ঐ মাগী ৱাদু তারগা নোক্তবা ঙমখিদে হা হা হা, হো হো হো! "অদুদি কনানা হায়রিবা? নঙনা হায়জরিরা নৎত্রগা নঙোন্দা অহল অমনা হায়রকপগা লৈব্রা?" মানা খুম্মী, "ওজা, ওজা, ঐখোয়না লাইরিক তম্লিবা অসে নুপী মশক ফজবা থিবা ফংনবনে হায়দনা ঐঙোন্দা ঐখোয় পুপুনা হায়রিবনে, ঐ লাইরিক কন্না পাদবা য়াদে, লাইরিক হৈতবা য়াদে অদুনা।" য়াম্না চুম্না হেক্তা হায়রে অঙাংসিগী ৱা অসিদি - মসিনি ঐনা অঙাং অসিবু ৱাংনা থাঙ্গৎনীংলিবা, থাগৎপা য়ারিবা, ওজা ঐনফাও খুম্বা ঙমদ্রবা ৱাহংগী পাউখুম অঙাং মানা কয়া লায়না এটেম্প তৌরক্লিবা। পিক্লবসু চাউরবসু অসিগুম্বা পান্দম অমগী মখাদা লাইরিক তমজরবদি অঙাং অদুসু নমদুনা লাইরিক হৈগনি। কৈদৌবগী লাইরিক তম্লিনো হায়বদু খঙদনা লাইরিক তম্লবনিনা হৈরসু য়াবা হৈত্রসু য়াবা মওংদা লাইরিক তম্বনা কান্নবা লৈহন্দে। লাইরিকপু ফাগি ফরাং তাহল্লক্লবা মরম ওইদনীংঙাই লৈতে। ঐসু কৈদৌবগী লাইরিক তম্লিনো খঙদনা লাইরিক তমখি অদুগা মমৈদা ওজা ওইখি। য়াম্না নুংঙাইবা শিনফম অমা ওইরমখি। খরা লৈরগা ওজা ওইবা তোক্লগা য়েন লোয়দুনা পুন্সি মতেক অমা অমুক খাঙখি। লাইরিক তম্লুবগী কান্নবা য়েন লোয়রবা মতম অদুদা খঙখি। লায়নাগী মমিং, হীদাক লাংথক্কী মতাং, য়েন মচা লৈবগী মতাং, য়েনগী মরমদা নৈনবগী মতাং! তমখিবা কেমিষ্ট্রিগী পড়াশিং, ওজা মাঙ্গোলজাওনা তাকপীখিবা লেটর রাইটিংদা পোৎ চৈ চেন্থোক চেনশিনগী মতাং লোইনা কান্নরকখি। নাওন, প্রনাওন, এদজেক্টিভ, এদভর্ব লোইনা কান্নরকখি। লাইরিক তম্বা অসি ইচন্দা চন্নবা য়াম্না কান্নবা পোৎ অমা ওইরমখি। লাইরিক্তা কান্নবা কয়া য়াওরম্মী মসি ঐ হান্না খঙলমদে, নুপী থিনবখক নত্তনা হীরম কয়া থিনবা মচাক অমনি লাইরিক।



তম্লিবা লাইরিক্না অমা তৌথোরকপনা অমা তৌথোরকপা মীসু কোঙ্গায় অমা অদুম ফংই। তম্মিবা ইতিহাস, জিওগ্রাফি, ফিজিক্স, কেমিষ্ট্রি, মোরেল সাইন্স অসিনচিংবা তম্লনবা লাইরিক ওইনা অদুম খন্দোকপা, পরিক্ষা থাবা, পাস তৌবা মদু লোইরগা তম্মকপা অদু তম্মক্তবদৌনা ৱা ঙাঙবা মী কয়া লৈ। সর্টিফিকেট ফংনবা অদুগা তম্মিবা অদুদি মৱা লৌনীংদবা খূৎতম অমসু লৈরি। মশামক্না তম্মকপা পোৎ অদু মানা মৱা লৌজদবা লাইরিক খূৎতম অমা অমুক লৈরি। অঙাং অমা নারকপদা মফম মরাং ইখঙ খঙদবা লায়েং হেক্তা থৱায় তানা তৌথোরকপা থেংনৈ। মঙতাক্লি হায়বা ৱা অমবু অনা লায়েংনি হায়না হেক্তা থাজৈ - লাইরিক হৈরে হায়দুনা সর্টিফিকেট পায়রবা মী অমনসু। মরম চাদনা থাজবা য়াদ্রবা লোজিক্তা চানদ্রবা পোৎ অদু হেক্তা থাজবা ঙম্মী। অমরোমদা অমুক খলহল্লি, লাইরিক অসিবু মীওইবগা ইশম শম্নদবদৌনা তৌরিবা অসিবু করিনা ওইরবজাৎনো? লাইরিক খূৎতাক অসি য়ৌদ্রবা হায়বদুরা? শেলদমক চঙনা-থাথাগী স্কুলগী ট্যুসন ফী, প্রাইভেট ট্যুসন ফী, মিংজলশেল, লাইরিক শেল, ফিগী রোলগী য়ুনিফোর্মগী শেল, বোর্দিংগী শেল, ময়াম অমা তিংবমখৈ তিংলগা সর্টিফিকেট পায়দুনা থোরক্লবা থোরক্লবী ময়াম অদুনা মমৈদা লৈঙাক্কী থবক ফংখ্রবা মতুংদা শেনজাবা শেনজাবী, মীয়ামবু নুংশি খঙদবা খঙদবী ঙাক্তা ওইরক্লিবা লাইরিক খুৎতম অসিবু করি লাইরিক খূৎতম্নো। মী লোইনমকপুদি নৎচদে। মখোয় খরখক্কী ৱানিকো। অদুক ফজনা শেল, মতম, পাঙ্গল চঙনা লাইরিক তম্বা য়াবা তম্লে, লোইরে অদুগা ভোট কারে (ভোট লেপ্তুনা)। ... অদুগা মানা তৌথোরকপা থবক অদুদি মীয়াম্না অমুক পেন্নদ্রে। মশা অদুসু শেল চায় হায়নরে, মশানা শেল চাদে হায়জরবসু মীনদি শেল চায় হায়বীরি...। অসিগুম্বা তাহৈদবা কয়া অমা তারি। লাইরিক তম্নরিবা হৈনরিবা ময়াম অসি তাইবঙ লোনচৎ খঙননবগী ৱাদি ইয়াওমক য়াওদ্রবরা? নৎত্রগা লৌশিনবা হৈনদ্রবরা? নৎত্রগনা কমাইনা লৌশিনবা য়াগদগে হায়বা চাউনা খঙনীংবা লৈ।

তম্মিবা লাইরিক অসি তাইবঙদা পানশিনবা য়ারোইদৌবা কান্নরোইদৌবা লৈবা তারবদি তমদবনা ফৎত্রা? মীওইবদা তাইবঙদা কান্নবা য়াবা পোৎ ঙাক্তা তম্বনা ফৎত্রা? মতম মাঙবা, শেল মাঙবা, হকচাং শোকপা (লাইরিক তম্বদা) করি কান্নৈ। মী অমনা লাইরিক তম্বা লোইফাওবদা চহী অসি চাউরাক্না কুনমঙাদগী তাদনা মাঙনরি। মী অমনা মশা কন কন লাউবা অসি চহী য়াংখৈ ফাওবদনি। য়াংখৈ অসিদা কুনমঙা অমা ৱানা মাঙহল্লগা লাইরিক তম্লগা মদুগী ওন্ন-তৈনবা ঙাক্তা তৌরবদি করি অমুক কান্নরি। কান্নগদবা ঙাক্তা খল্লগা তম্বদা করি অকায়বা লৈ? ●

# নুপীগী ৱাথোক হেনগৎলকপা য়ারি

নবকুমার ওইনা

নুপী, নুপী, নুপী, নুপী লৈরমদ্রবদি ইবেনপোকসু, ইবেনসু লৈরম্লোই। ইবেন লৈরমদ্রবদি ইমাসু লৈরম্লোই, ইমা হেক লৈরমদ্রবা ঐ লৈত্রে। ঐ লৈরমদ্রসু নুপী থিবগী ৱা লৈরম্লরোই। তাইবঙপানসি নুপীনা শেম্বনি হায়বা লাই খূৎনীং-খূৎনীং কয়া লৈরিবসি মঙায়। লাই নুপী লাৎপশিং নুপীদা উশিত্তবা য়াওবা মাল্লি। লমদম অসিদদি হুরাল্লগা লাই নুপীদা পোৎ কৎপা তন্বীবা য়াওরন্লিবনি। হুরানবদু লাই নুপীনা য়াবা কয়া য়াওরন্লিবনি। হুরান শাজত্তগী ৱাথোক হেনগৎলকপনি।

নুপীনা য়ানবা চৎপা নুপানা ৱাথোক শাগৎলি হায়বদি থাজনরোই। নুপীনা য়ারক্ত্রবা মতমদদি নুপাদু ৱাথোকশা ওইরক্লনি। লোনা ফনা কন্না লাকশিল্লবসু ৱাথোক য়াম্বদি অসুম হেনগৎলকই হায়বা চুম্লবদি ৱাথোকসি লো ফনা শেম্লবসু হেক্তা লাকশিনবা ঙম্লোই হায়বনি। মীওই খরনা লো পংশেমদা শেম্বা পাল্লবসু ৱাথোক থোক্লরোই হায়বদি য়াদে। লো শেম্লিবদু চৈরাক পীবখক্কী ওইদে হায়বনি, ৱাখলদা খন্থহনবা হায়বা অমা চঙলি। মীওইবগী লমচৎ হায়বদু য়াওরক্ত্রবদি মীসু শা ওল্লকই হায়বসিদা মান্নদবা অমা য়াওরি। মীসু শানি, লমলক্কী শা, য়ূমগী শা, অনী থোক্লি। য়ুম্লিং খুল্লিংলবা শাবু মীওইবা হায়না শা অতৈদগী তোঙান্না লৌনরকপনি। হৌজিক্তি খ্বাইদগী শাথীবা ৱাথোকশাসি মীওইবনা ওইরবনি। লমলক্কী শাদি হিংনবা শাহিং চাবনি, মী ঐখোয়না লমন খুম্নবগী মী হাৎনরক্লিবনি। উমংগী নিংথৌনি হায়রিবা নোংশানা নোংশা হাৎপা মশীংদগী নিংথৌনি হায়বা মীশিং হাৎনবনা লিশীং লিশীং হেল্লিবনি, নিংথৌ ওইদবা লাম্মী ক্রোর-ক্রোর হাৎখ্রবনি। লানশিং অদুদা নুপীশিং য়াওদে হায়বা লৈতে, নুপী মুন্নবগী লান থোক্লখি, লান খুদিংমক্কী মরুমদা নুপী অমতং ওইরসু লৈগনি হায়রিবনি। ৱাথোক খুদিং নুপীগী ৱাথোক ওইরদরা?

ৱাথোক কোয়থি থিবা নুপীসু লৈরব্রা? মখোয় কিবদগী ৱাথোক হেনগৎলব্রা? ঙাইহাক খৎনবগী য়ানদবগী লমন খুম্বা পান্নবদগী, শেল লৌথোকপা পান্নবদগী ৱাথোক মচাদু অচৌবা ৱাথোক ওইহনব্রা হায়বা চিংনরে। শাওবনা হেল্ল-হেল্লগা শিবা মশীং হেনগৎলক্লে, থৌওইনা হাৎনবগী চেন শেম্নরক্লে, য়ূমসু য়াওনা মৈ থানরক্লে। শাজৎ অসিমক্তি নুপীখক্তগী ৱাথোক্লি হায়বা য়ারক্তরে, খুন্নাইদুগী মীয়ামগী শাজৎ ওইগদৌরিবনি। অদুগুম্বা খুন্নাই অদুদবু করিগী ৱাথোক য়াম্লোইদৌরিবনো? নুপী অঙাং কয়ানা অদুগুম্বা খুন্নাই অদুদা ইংনা লৈবা য়াগদৌরিব্রা। ৱাথোক ময়ামগী মরক্তা নুপীশিংগী ৱাথোক য়াওবনি হায়গনি। নুপীঙাক্তগী ৱাথোক হায়বা অমসু লৈবা য়ারিবনি। নুপা অমনা নুপী অমা খৎনবা, খায়নবা, হাৎনবা নুপীগী ৱাথোক নত্তে খুন্নাইদুগী ৱাথোকশিংগী মনুংদনি। মিৎয়েং লাল্লবদি মদুসু ৱাথোকনি হায়গনি। ৱাথোক শাগৎলোইদবনি।

মীওইবগী ৱাখল লৌশিং ৱাংল-ৱাংলগা লমন খুম্নবসু হেনগৎলক্লি। মপু হাক্তক্কী য়ানখিদবদু মশু হাক্তক্তা মৌ ওইবা য়াদে হায়নবসু য়াওনরি। য়ানখিদবা অমগী চহী য়াংখৈ-চাম্মা মচিন-মনাও কৌনদবা, চঙনদবা য়াওনরি, মপা-মচা কায়নরি। মালেমগী খ্বাইদগী শাথীবা ৱাথোকশা ওইরক্লিবসি মীওইবনি। লম্লক্কী শাশিংনা ময়ানা চিক্লবখক্তনি, মীওইবনা নোংমৈ, বোম, মিসাইল কাপ্পরক্লিবনি। শাথীরিবসি কনানো অদুম খঙনরবা ৱাদুনি।

শাহিং চাবা কৈ ফাওবা মুৎখিদনবা মফম কন্দুনা থম্নরি, লম্লক্তা লৈগদৌবা শা মাল্লক্লবা মীওইশিংদি করিগীদমক কৈশুমশঙদা থম্লোইদৌরিবনো? মী মরক্তগী শা খন্দোকপা ঙমদবশিংনা কমদৌনা ৱায়েলবা ঙমগদৌরিবনো। লৈঙাক ৱায়েল পায়রিবশিংনা হেন্না লো থুগাইরক্লবা, শাহিং চাবশিংগী শাজৎ চৎনরক্লবদি মীওইবগী ফজবা শাজৎ লিচৎ য়োক্তুনা থম্বা ঙম্নরক্তবা মশানা তারকই। মমানা পোক্তবা মচা লৈবা হৌনদে, মমাগী মচা উগী মহৈ হায়নরিবা করিগীদমকনো? থায়নগী নুপী মরক্তগী লাই ওইনা লাৎপা য়াবা নুপী কয়া'মা পোক্লম্লে, ঙসিগী নুপী মরক্তগী জর্দা-খৈনি চাদবী, তলপ চাদবী খন্দোকপা ৱাখৎলক্লে। য়ুদি থক্তে, বিয়ার থকই হায়বসু য়াওরে। তোলোপ চাবীনি, চাক থোংবা হৈতে হায়বসিবু পান্থোইবীগুম, দুর্গাগুম মখূৎ তরা পাল্লি হায়বা য়াগদৌরিব্রা? মখূৎ লোংবা নত্তে থবক তরা তৌবা ঙম্মী হায়না লৌনগদৌবনি। নুপীনা ঙমদবা থবকপু লৈব্রা, করিগী নুপাদগী শোত্থগদৌরিবনো। কনা অমনা রাইটস মান্ননা পীরমদে হায়বনি, পীরমদবা নত্তে লৌরমদবনি।

নুপী দ্রাইভর, নুপী পাইলোট, নুপী এষ্ট্রোনোট ময়াম'মা লৈরে। করিগী লমহাংদা পংথৌ থৌগদৌরিবনো, করিগী মদোম তোংগদৌরিবনো, লাইরেম্বীসু ফনা ওইসনু মমা অমনা মচা লাখ-ক্রোর ময়ামসি মান্নহনবা ঙম্লোই। মচাশিং মান্নবা ঙমদবগীদমক মমাদা তায়নবা য়ারোই, লাইনি হায়বশিংনা ঙমদ্রবা থবকনি। হোরিবসি থবক্তা নত্তে ৱাখলদনি, মান্নবা য়াদবগীনি, লাইনি হায়বশিং ফাওবা মান্নবা ঙমদ্রিবসিনি। নুপীশিংনসু ওইসনু, ৱায়েনবশিংনসু ওইসনু নুপাশিংবু মান্ননা লৌবা য়াদে হায়বসি খঙগদৌবনি। মদু খঙদবগা হেক্তা লানবা হৌরবনি, অরানবা কয়াদগী ৱাথোক ওইবা মহৌশানি। মচা ৱারকপা হৈতবী নুপী খুদিংনা ৱাথোক চাম্মা-চাম্মা থোকহনবা ঙমগদৌরিবনি। নুপা হায়বসি করিনো হায়বদং খঙদবদা ৱাথোক কয়াগী পাউজেল পীবা হৌরবনি। হিংলিঙৈদা মী ওইদবী কয়া শিরবা মতুংদদি নুপী ওইরকই। নুপী কয়া অমা শিখ্রে, হাত্তোকপীখ্রে। ৱাকৎ ফম্বীশিংখক্তা শিল্লগা কৈদৌনগদৌরি, লো মচা-মচা খরা শেম্লগা কৈদৌনগদৌরি। শিবদি লেপ্তে, হাৎপসু লেপত্রি হায়বসি শিগদৌবসু লৈহৌরি, মী হাৎপা ঙমগদৌবা মীসু লৈহৌরি হায়বনি। শিগদৌবা মীওই য়াম্না লৈরবসু মী হাৎপা ঙম্বশিং লৈত্রবদি শিরোইদৌরিবনি। মীঙোন্দা মী হাৎপা তন্বীরোইদবনি, মী অমা হাৎপা য়াবগী খুদোংচাবা মীহাৎপশিংদা পীরোইদৌবনি। কৈ কিদবদগী কৈনা চাখিবনি, কৈ লৈবা মফম খঙগদৌবনি।

খুন্নাই অসিগী নুপাশিং য়ানদদুনা য়েংথিনবা মশীংদগী নুপীশিং য়েংথিনবনা চাম্মদা চাম্মা হেল্লিবনি। মখোল থোক্তনা চায়নরিবসু নুপী মরক্তা শোক্ল-শম্নবা য়াদবমখৈ লাপ্পবা য়াওরিবনি। নুপাশিংগী ওর্গেনাইজেসন মশীংদগী নুপীশিংগী ওর্গনাইজেসন মশীংনা তাবা নত্তে। কাঙলূপ অমগী নুপীগা কাঙলূপ অমগী নুপীশিংগা তোৎশিন্নবা ঙমদ্রি, তুহৎনবা য়াওনরি। লম্বী থোংদা নত্তে শরক্তনি, হৈনবীনি। ভোটতা ঙাওবসু নুপীশিংনা হেগৎলক্লি, অথেনপোৎ কাবসি নুপী ঙাক্তনি। শেল ফংনবগী ওইবসু য়ারি, পৱার পাম্বা হেনগৎলকপসু ওইবা য়াই। রাইটস তানবগা পৱার পাম্বগসু খেন্নগনি। লোগী মিৎয়েংদা দেমোক্রেসি ঙাক্না চৎপা নুপীশিংনা হেল্লি নৎত্রগা নুপানা হেল্লি হায়বসি মচা মমৌদা ওৎপা য়াওনরিবসিদগী খঙবা ঙম্নরিবনি। ফিজেৎ-চাকচাদা কাঙলূপ খায়দোকপসু নুপীনা হেল্লি, লাইনীংগী খেন্নবা ঙাকপসু নুপীনা হেল্লি হায়বা য়ারি। লাইশিং য়ানদবদগী নুপীশিং য়ানদবনা মশীং হেল্লি।

ক্বা য়োল্লিবসু নুপীনি, য়ু য়োল্লিবসু নুপীনি, এঞ্চাং য়োল্লিবসু নুপীনি, নূং-লৈঙোই পেক্লিবসু নুপীনি। ফজখ্রবা থবক শূবা অদুদা খৈনি, তলপ চাবা অদুনা মশক থিহল্লি। দ্রগ শুংবা হৈগৎলক্লিবনি, ফানরিবনি, ৱাথোক নত্তে হায়বা য়াররোই। ৱাথোক য়াল্লিবসি শেম্লগা থুগায়বা য়ারিবা লোনা নত্তে, নুপানা নত্তে, লাইনীংনা নত্তে, স্কুল-কোলেজনা নত্তে, লৈঙাক্না নত্তে। কনানা ওইগদৌরি? নুংশিনবা ৱাৎপগীনি, নুংশিনরগবু খৎনরকপা য়াব্রা, খৎনদ্রগবু হাৎনরকপা য়াব্রা? য়ু য়োল্লিবা, দ্রগ শুংলিবসিবু মী খৎনগে হায়বগীরা, শেল তানববু লমশি শিনবরা। মিংচত্তি শেলনা লৈবা য়ারে, নুংশিনবদি লৈবা য়ানদ্রি, শেল লৈতবগীরা হাৎপা ঙম্নরক্লি, ৱাথোক ওইনরক্লি। থৌওইনা শিল্লুবা নত্তে, ৱাখল লৌশিংগী থাক অমা উখোক্লরকপদনি। মী ওইবগী হৌনশানি। নুপীবু হন্থনা য়েংবা নুপা মালেমদা অদুম পোক্লকখিনি, মাশু নুপীনা পোক্কনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।